২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমস ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা হৌদোকখ্রে

লৈবাকসিগী মেদল শোয়দনা লৌগনি পানরিবশিংগী মনুংদা মণিপুরদগী মিরাবাই, সঞ্জিতা, সরিতা, মেরি কোম য়াওরি

গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) : মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৭১না শরুক য়ারগা লাক্লিবা এপ্রিল ১৫ ফাওবা নুমিৎ ১২নি চুপ্পা চত্থগদৌরিবা ২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমস ঙসি ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা হৌদোকখ্রে।

২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্ট অদু রিও ওলেম্পিক্কী শিলভর মেদলিষ্ট ওইরিবা ষ্টার সট্লর পি ভি সিন্ধুনা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল পায়দুনা লুচিংখি। কম্মুনৱেলথ গেমস ২০১৮ অসিদা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস পার্সন ২২২না শরুক য়ারি। তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৭১দগী লাকপা শান্নরোয়শিংনা মশান্না ১৯গী তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট ২৭৫দা চাংদম্নগনি।

মীওই লিশীং ৩৫ হেনবনা শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা গোল্ড কোষ্টকী মীয়াম্না লৈবাক ৭১গী কন্টিনজেন্টশিংবুসু তরাম্না ওকখি। লোয়ননা থৌরমদুদা ওষ্ট্রেলিয়ন ইন্দিজিনস কলচরগী থৌরম কয়াসু উৎখি। তুংদা প্রিন্স চালর্সনা মহাক্কী মমা ক্বিন এলিজাবেথ টুগী মহুৎ শিল্লগা কম্মনৱেলথ গেমস অসি হৌদোক্লে হায়না লাউথোকখি। থৌরমদুদা প্রিন্স চালর্সকী লোইনবী কেমিলা পার্কর বাওলসু শরুক য়াখি।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু ২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমস অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়ন কন্টিনজেন্টতসু য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

লৈবাক অসিগী ওইনা কম্মনৱেলথ গেমস ২০১৮ অসিদা মেদল লৌগনি হায়না পানরিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মণিপুরদগী ৱেটলিফটর সাইকোম মিরাবাই চনু, খুমুকচম সঞ্জিতা চনু, বোক্সর লাইশ্রম সরিতা অমসুং এম সী মেরি কোম য়াওরি।

কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসকী নুপীগী কেজি ৪৮গী কেটাগোরিদা মিরাবাই চনুনা শিলভর মেদল লৌরকখিবনি। কুমজা ২০১৭কী নবেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তুনা সাইখোম মিরাবাই চনুনা স্নেচতা কেজি ৮৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১০৯ পূন্না কেজি ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। কর্ণাম মালেশ্বরিগী মতুংদা চনুনা ৱর্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড লৌবা ঙম্বা ইনি দয়াগী অনীশুবা শান্নরোয় ওইখ্রবনি। মিরাবাইনা কম্মনৱেলথ গেমস ২০১৮গী অহানবা নুমিৎতা শোয়দনমক্কী ইন্দিয়াগী মেদল অমা লৌগনি হায়না থাজবা থম্নরি।

লিফটর খুমুকচম সঞ্জিতানা কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসকী গ্লাসগো এদিসন্দা শরুক য়ারগা নুপীগী কেজি ৪৮গী কেটাগোরিদা গোল্ড লৌদুনা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরালবু মকা লাম্না পাইহনখিবনি। সঞ্জিতানা হন্দক্কী কম্মনৱেলথ গেমস অসিদদি কেজি ৫৩গী কেটাগোরিদা শরুক য়াগদৌরি। এসিয়ন ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্টসু ওইরিবা খুমুকচম সঞ্জিতানা ২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমস অসিদসু শোয়দনমক্কী লৈবাক অসিগীদমক মেদল লৌরক্কনি হায়না পানরি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন কয়ারক হন্না ওইখ্রবী মণিপুরদগী এম সী মেরি কোম্না গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেথ গেমস ২০১৮দা শোয়দনমক্কী মেদল লৌগনি হায়বগী থাজবা থম্নরি। ২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমস অসিদা মেরি কোম্না বাউট অমখক মায় পাকপদা মেদল অমা শুংশোয় শোয়দনা ফংগদৌরিবনি। মেরি কোম্না নুপীগী কেজি ৪৮গী কেটাগোরিদা স্কোটলেন্দগী মেগান গোর্দোনগা লাক্লিবা এপ্রিল ৮দা থিনগাইনরগনি। মহাক্কী অহানবা অমসুং অরোইবা কম্মনৱেলথ গেমস অসিদা মেরি কোম্না লৈবাক অসিগীদমক গোল্ড লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্নরিবনি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং এসিয়ন চেম্পিয়ন ওইরিবী মণিপুরদগী লাইশ্রম সরিতানা নুপীগী কেজি ৬০গী কেটাগোরিগী অহানবা বাওটতা কিম্বরলে গিটন্সকা থিনগাইনগনি। লাইশ্রম সরিতানা ২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমস অসিদা মেদল শোয়দনা লৌগনি হায়না পানরিবনি। ২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্টতা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি লৈবাক অসিগী নুপাগী হোকি টিমগী ভাইস কেপ্টেন ওইরিবা কাঙুজম চীংলেনসনা, নুপীগী হোকি টিমদনা পুখ্রম্বম সুসিলা চনু, সাইক্লিংদনা মনোরমা তোংব্রম অমসুং সোনালি ময়াংলম্বমনি।

স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৪গী কম্মনৱেলথ গেমসতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১৫, শিলভর ৩০ অমসুং ব্রোঞ্জ ১৯ পূন্না মেদল ৬৪ ফংখিবনি। হন্দক্কী ২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমস অসিদদি হান্না ফংখিবা মেদল মশীংদগী হেন্না ফংগনি হায়না থাজবা থম্নরি।

সেকেন্দ দিভিজন আই লীগ

ত্রাওনা অহানবা ওইনা য়ূম্বু ওইরগা মোহম্মদন এস সীগা ঙসি থেঙ্গাইনরগনি

CONFERENCE
VS.

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) : লৈবাক অসিদা ফুটবোল মশান্নগী ওইনা পাঙথোকপা মরু ওইবা কম্পিটিসন-শিংগী মনুংদা য়াওরিবা সেকেন্দ দিভিজন আই লীগতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারিবা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও) না অহানবা ওইনা য়ূম্বু ওইরগা মোহম্মদন এস সীগা হয়েং ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা থেঙ্গাইনরগনি।

ত্রাওনা অহুল্লকশুবা মেচ ওইনা হয়েং মোহম্মদন এস সীগা শান্নগদৌ-রিবনি। মেচ অসিগী মাঙওইননা ঙসি নুংথিল খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মগী মেদিয়া কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ত্রাওগী টিম মেনেজর লাইশ্রম ইবোমচানা হায়খি, ত্রাওনা অহানবা ওইনা য়ূম্বু ওইরগা মোহম্মদন এস সীগা শান্নগদৌরিবা সেকেন্দ দিভিজন আই লীগকী মেচ অসি য়াম্না তরাইবা মেচ অমা ওইরোই। গ্রুপ সীগী মমাঙদা শান্নখিবা মেচ অনী মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ অসিগী মকোক্তা লৈরিবা মোহম্মদন এস সীগা শান্নগদৌরিবা মেচ অসিদা ত্রাওনা মায় পাক্কবগীদমক অঙম্বা থাক্তা শান্নগনি। ফাইনেল মেচতা মায় পাক্কবগীদমক তকখায়নরগা শান্নবগুম হয়েংগী মেচ অসিদসু ত্রাওনা মোহম্মদন এস সীগা চপ চানা থেঙ্গাইনরগনি। মদুগীদমক ত্রাওগী শান্নরোয়শিংনা শেম শাবা লোইরে। মণিপুর মীয়াম্নসু ত্রাওগী শান্নরোয়শিংবু মপূং ফানা পূক্নিং থৌগৎপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা মোহম্মদন এস সীগী টেক্নিকেল মেনেজর নসিম অখটরনা হায়খি, মণিপুরদা টিম অসিনা সেকেন্দ দিভিজন আই লীগ মেচ অহানবা ওইনা শান্নবা ফংলগনি খনবদা হরাউবা পোকই। য়ূম্বু ওইরিবা ত্রাওগা হয়েং শান্নগদৌরিবা মেচ অসি মোহম্মদন এস সীগী ওইনসু য়াম্না অরুবা মেচ হায়বদু ওইরি। সেকেন্দ দিভিজন আই লীগ অসিদা ত্রাওসু মেচ অমত্তা মায়থীবা নংদ্রিবা টিম অমনি। অসিগুম্বা টিম অসিগী হোম গ্রাউন্দদা শান্নবা হায়বসি তরাই তরাইবা মেচ ওইরোই। মরম অদুনা মেচ অসিদা মায়থীবা নংদনবা অমদি মায় পাক্নবা মোহম্মদন এস সীনা অঙম্বা থাক্তা শান্নগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ত্রাওনা মমাঙদা শান্নখিবা সেকেন্দ দিভিজন আই লীগকী মেচ ২দা মেচ অমা মায় পাক্লগা মেচ অমনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা লৈরিবনি।

ইন্টরনেসনল ষ্ট্রেঙথ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়ারুগদবশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা লাক্লিবা এপ্রিল ৭তগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল ষ্ট্রেঙথ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরদগী লিফটর ৩ অমসুং ওফিসল ১ ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল ষ্ট্রেঙথ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা লিফ্টর ৩ অমসুং ওফিসল অমনা ইম্ফাল থাদোক্লিঙৈদা মণিপুর ষ্ট্রেঙথ লিফটিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টগী থৌসু পুরিবা এম এল এ, পি সরতচন্দ্রনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লাক্লগা য়াইফ পাউজেল পীদুনা থৌনা হাপখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা লাইশ্রম পুস্পরানিনা কেজি ৭২গী কেটাগোরিদা, থৌদাম বিদ্যারানিনা কেজি ৪৮গী কেটাগোরিদা অমসুং লাইময়ূম পুস্পিরানিনা কেজি ৮৪ মথক্কী কেটোগোরিদা শরুক য়াগনি। অদুগা ইন্টরনেসনল রেফ্রি কে ঐচ নিংথেমনা ইনিদয়ন টিমগী ওফিসল ওইনা শরুক য়াগদৌরিবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবশিংগীদমক এম এল এ, পি সরতচন্দ্র অমসুং ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা শেলগী তেংবাঙ পীরকপগীদমক মণিপুর ষ্ট্রেঙথ লিফটিং এসোসিএসন্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মঙাশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

বোলেরো সেক্তা, সদা এন সঞ্জেনবম সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচীংনা শিল্লগা ইবুধৌ খমলাংবা লম্পাক্তা পাঙথোল্লিবা মঙাশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা কার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্লদুনা বোলেরো সেক্তা অমসুং সদা এন সঞ্জেনবম সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৪না গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্লগা পাঙথোল্লিবা মঙাশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা কার্টর ফাইনেল মেচতা ঙসি এফ সী লমলাই অমসুং বোলেরো সেক্তা শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৫শুবা মিনিটতা এফ সী লমলাইগী জর্সি নম্বর ১১ এম অবোইনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। অদুবু মেচকী ৬শুবা মিনিটতা বোলেরো সেক্তাগী জর্সি নম্বর ৮ দল্লিয়ু বিশেশ্বরনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু গোল ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ২৭শুবা অমসুং ৩৫শুবা মিনিটতা বোলেরো সেক্তাগী জর্সি নম্বর ১৭ কে ঐচ নাওবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ দল্লিয়ু অথোইবনা গোল ২ চনশিনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা বোলেরো সেক্তানা হেল্লগা চৎলিবা গোল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা এফ সী লমলাই মায়থীহৌখি। বোলেরো সেক্তানা মেচ অদু গোল ৩-১ দা মায় পাক্লগা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতনা ঙসি সদা এন্দ সঞ্জেনবম অমসুং এন এন সী কে এ নোংগ্রেন শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদবদগী পেনালটিকাওনখি। পেনালটিদা সদা এন সঞ্জেনবম্না এন এন সী কে এবু গোল ৫-৪দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। সদা এন সঞ্জেনবমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সনাজাওবা, বিক্রমজিৎ, কিরনজিৎ, নাওতোন অমসুং বিজেন্না চনখি। অদুগা এন এন সী কে এগী গোলশিং অদুনা কৃষ্ণকান্তা, উত্তমকুমার, নাওচা অমসুং অজিৎকুমারনা চনখি।

ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : অসামগী করমবির নবিনচন্দ্র বোরদোরোয় এ সী ইন্দোর ষ্টেদিয়ম-সরুসজাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স গুৱাহাটিদা লাক্লিবা মে ৪দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ (বোইজ এন্দ গার্লস) পাঙথোক্লগনি। মসিগীসু মথক্তা সেনিয়র নেসনল অমদি সেনিয়র বিচ পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৮, অহুমশুবা ফেদরেসন কপ অমদি অহানবা ফেদরেসন কপ বিচ পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ গুরুনানক দেব য়ুনিভর্সিটি অমৃটসর পঞ্জাবতা চহীসিগী মে ১২দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি।

চেম্পিয়নশিপশিং অসিদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম শেম্নবগীদমক ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি। মরম অসিনা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন্দা এফিলিএট তৌবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা এসোসিএসন অসিগী য়ুনিটশিংগী শান্নরোয়শিংনা লাক্লিবা এপ্রিল ৮দা শিংজমৈ চীংঙামথক্তা লৈবা সী ৱাই এল সী টেনিস কোর্টতা অয়ূক্কী পুং ৭ নংনবা লাক্লগা রিপোর্ট তৌরগদবনি। সব জুনিয়র অমসুং জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লসকী ওইনা কেজি ২৬তগী ৬০ ফাওবগী ওইগনি। সেনিয়রগী নুপা অমসুং নুপীগীনা কেজি ৪৫দগী কেজি ৯৫ ফাওবা ওইগনি হায়না পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

জি বি মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসন (এম বি এ)গী জেনরেল বোদি মীফম লাক্লিবা এপ্রিল ২২দা থঙ্গাল বজারদা লৈবা হোটেল য়াইফবগী কনফরেন্স হোলদা অয়ুক পুং ৯ তাবদগী পাঙথোক্লগনি। এসোসিএসন অসিদা এফিলিএট তৌবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিং অমদি য়ুনিটশিংগী নোমিনিশিংনা মীফম অসিদা মতম চানা লাক্লগা শরুক য়াবিয়ু।

জেনরেল বোদি মীফম অসিগী অকুপ্পা মরোলগীদমক জোইন্ট সেক্রেটরি এন শ্যামকুমার (মোবাইল নম্বর ৮৯৭৪৩৫৪৯০০) দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়না মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ইন চার্জ ঐচ সঞ্জিব শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১৪ নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট

মণিপুরগী হাওবম বুশন অমসুং নোংমৈকাপ্পম চার্মি সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : মণিপুর টেনিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেনিস এসোসিএসন (আই দি টি এ) না শিল্লগা লম্ফেল পাৎতা লৈবা আই দি টি এগী টেনিস কোর্টতা পাঙথোকপা এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১৪ নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা কার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্লদুনা হাওবম বুশন্না বোইজ সিঙ্গলসকী, নোংমৈকাপ্পম চার্মিনা গার্লস সিঙ্গলসকী, রাহুল পামৈ অমসুং হাওবম বুশনগী জুরানা বোইজ দবলসকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১৪ নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট অসিগী বোইজ সিঙ্গলসকী কার্টর ফাইনেলদা ঙসি মণিপুরগী হাওবম বুশন্না ৭শুবা সীদতা লৈরিবা ৱাকহানি ক্রিসকা শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা গেম মায়থীরবা মতুংদা মখা তাবা গেম অনী মায় পাক্লগা হাওবম বুশন্না ৱাকহানি ক্রিসপু ৫-৭, ৬-২, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল য়ৌখিবনি। সেমী ফাইনেলদা হাওসব বুশন্না ১১শুবা সীদতা লৈরিবা ওব্রাইন য়ার্দকা থেঙ্গাইনরগনি। ওব্রাইন য়ার্দনা ২৪শুবা সীদতা লৈরিবা টামোকনাথ দাসপু ৬-১, ৬-০দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

বোইজ সিঙ্গলসকী অতোপ্পা কার্টর ফাইনেল মেচশিংদনা নলুশ্বামিনা কুরেসিবু ৬-২, ৬-৪দা অমসুং মজুমদরনা নাটপু ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি। সেমী ফাইনেলদা মজুমদর অমসুং নলুশ্বামি থেংনরগনি।

গার্লস সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা কার্টর ফাইনেল মেচতনা মণিপুরগী নোংমৈকাপ্পম চার্মিনা অহুমশুবা সীদতা লৈরিবা পরপুনা বেদরাজুগা শান্নখি। মেচ অদু নোংমৈকাপ্পম চার্মিনা য়াম্না ফজনা শান্নখিবগা লোয়ননা পরপুনা বেদরাজুবু ৬-৩, ০-৬, ৬-২দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল য়ৌখিবনি। সেমী ফাইনেলদা নোংমৈকাপ্পম চার্মিনা মনামেখলাগা থেংনরগনি। অহানবা সীদতা লৈরিবা মনামেখলানা কার্টর ফাইনেলদা তরেৎশুবা সীদতা লৈরিবা জোসি তারুসাইবু ৬-০, ৬-০দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

বোইজ দবলসকী কার্ট ফাইনেল মেচতনা মণিপুরগী রাহুল পামৈ অমসুং হাওবম বুশন্না ৫শুবা সীদতা লৈরিবা মজুমদর অমসুং ওব্রাইনগী জুরাবু ৬-১, ৬-১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। অদুগা গার্লস সিঙ্গলসকী কার্টর ফাইনেল মেচতনা মণিপুরগী য়ুম্নাম অগু অমসুং নোংমৈকাপ্পম চার্মিগী জুরা অহানবা সীদতা লৈরিবা মনামেখলা অমসুং দুর্গানসিগী মখূৎতা ০-৬, ০-৬তা মায়থীহৌখি।

Mahindra Rise.

MAHINDRA & MAHINDRA
(SHIVZ AUTOTECH,IMPHAL)
Required Urgent Manpower

Sl.No	Post	No.of post	Qualification	Experience	Salary
1	Sales Consultant	10	Graduate	Preferred Sales Experience in Automobile Sector, Fresher may also apply	Salary is not constrain for right candidate
2	TL-Sales	3	Graduate	At least 2 years of sales experience in Automobile Sector	-do-
3	•Asst. Spare Part Manager •Floor Mgr/Asst	3	Graduate with computer knowledge (Excel) is must	Preferred experience in relative field (Automobile Sector)/ Fresher may also apply	-do-
4	Painter & Helper	5	NA	NA	-do-
5	Denter& Helper	6	NA	NA	-do-
6	Technician	12	[illegible] Diploma passed out in any technical courses	Fresher & Experience	-do-

- Salary: Best in the Industry(Salary is not constrain for right candidate)
- Kindly submit your resume/CV on or before 15-April-18, at the address mentioned below
- Address: MAHINDRA & MAHINDRA (SHIVZ AUTOTECH), Ghari Airport Road.
- Visit our office/showroom for any queries.

Email: hrshivz@gmail.com Contact: 7085000125
Note: Please contact during office hour only (8:30 AM – 5:00 PM, Monday – Saturday).

HL-P/5049/28,30,2,4,5

মেদল লৌরকখ্রবা শাফবশিং হরাউ তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৩ অমসুং ৪দা পাঙথোকখিবা ৮শুবা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া কন্টেষ্টতা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী শাফবশিং আর সী সী বোদিবিল্ডিং ৱাই এ এসনা হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকপগী থৌরমর অদুদা যুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর এন প্রবিন, আর সী সীগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর থৌবা, কোচ নিংথেম অমসুং কোচ কে ঐচ প্রদিপকুমারনা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা মেদল লৌরকখ্রবা অথোকপম বিকান্দ, চান্দম রিসিকান্তা অমসুং অয়েকপম জগদিসতা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া কন্টেষ্ট অসিগী কেজি ৭০গী কেটাগোরিদা অথোকপম বিকান্দনা গোল্ড মেদল, কেজি ৭৫গী কেটাগোরিদনা চান্দম রিসিকান্তনা শিলভর অমসুং কেজি ৬৫গী কেটাগোরিদনা অয়েকপম জগদিসনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবনি।

LOAN AVAILABLE
> NO GUARANTOR
> 2 Wheeler Vehicle
Deliver Within 2 Days
AREA COVER: MANIPUR STATE
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING OPP. P.S., THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM

HL-B/4500/17/2-22April(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com